ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯃꯥꯔꯆ ꯲꯲, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯴꯰ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ুমশকৈশা, মার্চ২২, ২০১৭, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ৩৪০ শুবা মশীং

# ভি আই পি কলচর

## চীফ মিনিষ্টরনা অনৌবা পুৱারী অমা শেমহন্নিংই

*ওফিস* মতমনি হায়বসু খঙদা, হরাউ-কুম্মে মতম ওইবগী লম্বীদা ট্রাফিক জাম থোকই হায়বসু খঙদনা ভেরি-ভেরি ইম্পোর্টেন্ট পার্সন (ভি ভি আই পি) নৎত্রগা ভেরি ইম্পোর্টেন্ট পার্সন (ভি আই পি) শিং তোংবা মশীং য়াম্লবা গাড়ীশিংনা সাইরেন খোংলগা মীরক্তা থৌজিল্লকপগী থৌওং অসি মণিপুরদা চহী কয়াগী মমাঙদগী চৎনদুনা লাকই। মীচম মীয়াম্পুনা ট্রাফিক্কী অথিংবা লৈ হায়দুনা ফাওহন্দবা লম্বীশিং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মরম শুক্লে লৈতনা থৌজিনবা য়াহল্লি। মীয়াম্না গাড়ী খামদুনা থম্বা য়াদে হায়বা মফমদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা পার্ক তৌশিল্লি। মিনিষ্টরবু ওইরবদি মতুংদা মশীং য়াম্লবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং ৱার্করশিংনা তোংবা গাড়ী ১০ দগী তাদনা চৎকনি। মরু ওইনা মমাঙদা চীফ মিনিষ্টর ওইখিবা ওক্রম ইবোবী অমসুং হৌজিক হৌজিক চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা এন বিরেননা চৎপা মফমদা ইন্নরিবা মশীং য়াম্লবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং গাড়ীশিং অসি কা হেনমল্লি হায়না মীয়াম্না হায়নৈ। ইন্দিয়া ভি আই পি কলচর লৈবা অচৌবা দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্নি। মিনিষ্টরগী মখোঙ কোল্লগা খুরুম্বা, মিনিষ্টরনা থৌরম য়াওবা লাকপদা মহাকপু থাগৎ-ৱাহে লাউহনবা অমসুং শোয়-ঙামদনবনি হায়বগী মিংদা গাড়ী শঙ্গু-শঙ্গু ইন্নবা লৈবাক্নি। লম্বীদা মথৌ তৌরিবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং ফাওবা ভি আই পিশিং অদুদা সেল্যুট পীহৌদ্রবদি করি তৌরক্কদগে কিবদগী মখোঙ থিনবদতা হুমাঙ তারিবনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী প্রসিদেন্টনা তঙাইফদনা খোঙনা চৎপা তানফমদা নোংজু-নুংশা ঙাকথোক্লবা ছাটিন মশা মথন্তনা পায়রগা তূপ্পি। ইন্দিয়াদদি ভি আই পিদি লায়রদুনা আই পি এস, আই এ এস অমসুং হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিংদি ছাটিন পায়ননবা, বেগ পুরগা চৎননবা খৌবুনাই থম্মী। ওম্ভোক্লা মরিং-মরাংবা কলচর অমনা চাউখৎপা ওইনা লৌই। মখোয়দা মীওইবা হায়বসি অমগা অমগা মান্নে অমসুং মখোয়না থবক তৌরিবসি মীয়ামগীনি হায়বা কাওথোকই। মীখল মমাঙদনা মীয়ামগী খোঙ কোল্লগা ভোট পীননবা হায়জে, মীখল মতুংদনা মখোয়গী খোঙ মীয়ামদা কোলহল্লি। অসিগুম্বা চৎনবী অসি করম্বা মতমদা হোংদোক্কদগে হায়বসি খ্বাই তরানা খন্নবা মতম য়ৌরে।

মণিপুরদসু ভি আই পিগী কলচর অসি চত্তে হায়বা য়ারোই। চীফ মিনিষ্টরনা লম্বীদা চৎপদা মহাক্কী মতুংদা ইস্কোর্ট ওইনা পার্সনেল ৫০ গী মথক্তা ইন্নে। ইস্কোর্টকী কম্মান্দর ফাওবা আই পি এস নৎত্রগা এম পি এস ওফিসর ওইবা এস পি নৎত্রগা সী ওদগী তাদবা অমনা ওইহল্লি। মসিগী মথক্তা লমতুপ খুদিংগী মশীং য়াম্লবা পুলিস পার্সনেলশিংনা রোড ওপনিং পার্টি ওইনা থবক তৌই। খুদম ওইনা হায়রবদা ইম্ফালদগী চুড়াচান্দপুর ফাওবা চীফ মিনিষ্টর অমনা চৎকে হায়বা তারবদি তঙাইফদনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পি অমসুং মহাক্কী মখাদা লৈবা পার্সনেলশিং, কম্মান্দোগী পার্সনেলশিং, পুলিস ষ্টেসনশিংগী ও সীশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমখৈগী শরুকশিং ঙাক-শেল্লি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হেক লানশিনবগা চপ মান্নবা মওংদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী অরৈবা ফোর্সশিংনা চীফ মিনিষ্টরবু ঙাক-শেনগনি। মদুগী মতুং তারকপদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা অমুক চীফ মিনিষ্টরবু ওক্কনি অদুগা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং ইম্ফালগী মতৌগুম্না চপ মান্ননা তৌগনি। পুম্নমক অসিগী মথক্তা চীফ মিনিষ্টর মশানা চুড়াচান্দপুর চৎপদা মহাক্কী সিক্যুরিটি ইস্কোর্টশিং অমসুং এদিস্নেল ইস্কোর্টশিং অমদি মহাক্না চৎমিন্নরিবা ওফিসরশিংগী ইস্কোর্টশিং থারগদি পুন্না পার্সনেল ৫০০ গী মথক্তা দিপ্লোই তৌই। চীফ মিনিষ্টরগুম্না নৎত্রবসু খরা খজিক হন্থরগা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অমসুং অতৈ মিনিষ্টরশিংনা চথোক-চৎশিনদা অসুম্না তৌরবদি মণিপুরগী পুলিস পার্সনেল লিশিং কয়া অসিগী মথক্তা অমুক্কসু লিশিং কয়া অমা লৌবগী মথৌ তারকই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি ষ্টেট অসিদা ভি আই পিগী কলচর মুথৎননবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অচৌবা থৌদাং লৌহন্নিংই। মখোয়বু ঙাকপা হায়বসি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ওইবগী মহুত্তা মীয়াম্না ওইহনসি। মখোয় মীয়ামগী লুচিংবনি। মরম অদুনা মখোয়বু শোয়-ঙামদনবা ঙাক-শেনবগী থৌদাং মীয়ামগী ওইফম থোকই। মখোয়না শীজিন্নগদবা মশীং য়াম্লবা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং অদু ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দরদা শীজিন্নরবদি পাঙথোকপা ঙমদবা থবক অমা পাঙথোকপা ঙমগনি। মসিগীসু মথক্তা গাড়ী ময়ামগী থাউ হাপ্পা অমসুং তঙাইফদবা চাদিং ময়াম হন্থহন্দুনা ষ্টেট অসিগী রিছোর্সতগী চৎকদবা চাদিং কনবা ঙমগনি। ভি আই পিশিংনা চৎপদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা সাইরেন খোঙজিনবা, রেদ বিকন লাইট থাঞ্জিনবা অমসুং মীয়ামগী লম্বীদগী থৈদোক্লবা হুইসল খোঙজিনবা অমদি মীচম মীয়ামবু শা-ষণদৌনা লম্বীদগী হন্দোকউ হায়দুনা কোইরাউ লাউবগী চৎনবী অদু হৌজিক্কী মতমদা তৌহন্নিংদে। মীয়ামদা নোল্লুক্লা চৎপা অমসুং মখোয়বু লুনা নিংবনা মপী-মপা অমা ওইবগী মতীক ময়াই হেনগৎহনগনি হায়জনিংই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

# ক্যুগী ক্যু ঙাক্তা

***ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর***

***মমাঙঙৈগী*** মতমদগী হৌনা ক্যু সিষ্টেম অসি চৎনদুনা লাক্লি। মরুওইনা লৈরম্বা সিনেমা হোলশিংদা সিনেমা য়েংবা লাকপা মীওইশিংনা সিনেমাদু য়েংনবা কাউন্টরদগী টিকেট কক্নরম্মী। মসিদসু ক্যু সিষ্টেম তৌদুনা পরেং পরেং লেপ্নদুনা টিকেট কক্লে। মতমদুদা সিনেমা হোলশিংদা মীনা কৃক-কৃক ইন্ননা য়েংনরম্মী। হিন্দি ফিল্ম য়াম্না কাপ্নরম্মী। মতমদুদদি মণিপুরী ফিল্ম কয়া পুথোক্লদ্রি । হিন্দি ফিল্ম থিংখিবদগীদি সিনেমা হোল অয়াম্বা শিথখ্রে। ক্যু সিষ্টেম লৈখিদ্রে। ইশাগী ফিল্মবু পামজবগী মহুত্তা হিন্দি ফিল্মবুনা হেন্না পাম্নরকই। মতমগী মতুং ইন্না মতম মতমগী মণিপুরী ফিল্ম য়াম্না পুথোক্লরকই। অদুবু হোল অমদি য়েংবিনবা লৈতবনা মণিপুরী ফিল্ম মুথরক্লে হায়বা য়াই। মসিগী চাউরবা মরমদি সী দি কেসেট থোরকপনসু ওইবা য়াই। মরমদি সী দি কেসেট অমা লৈরগা য়ূমদা নুংঙাইনা ইমুং মনুং পূন্না য়েংমিন্নবা ফংনরকপা অসিনি।

হৌজিক্কী মতমসিদি ক্যুগী ক্যু ঙাক্তা ঙাইরক্লে হায়বা য়ারে। গাড়ীশিং অসিগী থাউ হান্নবা হোৎনবদা পম্পশিংদা ক্যু লেপ্পরি। থা খরগী মমাঙদা পৈশা চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা বেঙ্ক খুদিংদা ক্যু পরেং শাংনা লেপ্পবা উই। লোয়ননা লুহোং খোংদোংবা, দেব কর্ম্মদা মান্দব ময়ায়দা শেল থানবগী ক্যুদা পরেং পরেং ফাওবা লেংনদুনা লেপ্পরি। মরুওইনা চাকথোং গ্যাস লৌনবা হোৎনবদসু পরেং পরেং ক্যুদা লেপ্তুনা লৌনবা হোৎনরি।

ফাইরেন লমতা চঙলকপসিদসু লুহোংগদবগী, চেন চোঙগদবগী লৈশাবী পাখং কয়া ক্যুদা পরেং শানা লৈনরে। মসিদবু ঙক্তবা ঙমগদৌরিব্রা? মতম অমগী সনা লৈবাক মণিপুর ঙসিদি ক্যুগী লৈবাক মণিপুর ওল্লে। দেব কর্ম্ম তোয়রবনিনা ইশৈ শকপা, পুং য়ৈবশিংসু ক্যুদা লেপ্ন রে। অমরোমদা ক্যু সিষ্টেমসি ফৈ হায়না লৌবা য়াই। মসিদি অকোন অহানবগী ৱানি। মসিদি অফবা ৱাখল্লোননি হায়না খঞ্জে।

*অদোমগী - থোকচোম থম্বালঅঙৌ সিংহ*
*খাঙবোক ময়ায় লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৭

১। মখাগী অরিবা লোনশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু ঃ
(ক) লুফুই (খ) লময়ায় কাইদা খিনবা।
২। ‘‘তম্পাকলৈমা শংবানরবা পাক্লবা ঈশিং ঈপাক্কা নোংমদোনগা শম্নরিবা নোংখোঙ পরেংদুদা মুন্না য়েংই।’’ পরেংসি ৱারীমচা ইবা কনানা হায়বনো?
৩। ‘‘হিংলিবনা কনা, শিরিবনা কনা, মহাক অমতা খঙলক্ত্রে। মফম অদুদা লেপ্লিবা মীশিং অদু মাগী মমিত্তা লৈ মনা অমমম ওইনা উরকই।’’ ৱাহৈশিং অসি করম্বা ৱারীমচাদগী লৌথোকপনো?
৪। বঙ্কিমচন্দ্রগী ‘ধর্ম্ম তত্ত্ব’ মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?
৫। ‘অমেরিকাগী খোঙচত্তা’ লমকোয় ৱারীসি কনানা ইবনো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# অনৌবা লৈঙাক্কী অনৌবা স্বিটজরলেন্দ

### চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

*লৈঙাক* অমা শৈশক অমা, পুন্সি অমা ৱারী অমা হায়দুনি। ৱারীসি তাববু হৈরবদি ৱারী য়াম লৈ। ঐখোয়গী খুন্নাইসিসু ৱারীসু য়াম থোকই, থৌদোকসু ৱাথোকসু কোকথোং অমা থোকই। মণিপুর হায়বা লমসিদা থোইদোক্লা ইন্দষ্ট্রিগী করিগী পোথোক লৈজদ্রবসু, শিনশঙ অচৌবা অদুক য়াম্না লিংদ্রবসু, শাথিবা পাউদি মরাং অদুম কাইনা থোকই। মণিপুরদা ফোঙলিবা অয়ূক্কী পাউচেগী লমাই তরানিথোই, তরামরি পানবা লৈরে। সিদগী হেনবা লমাই মশীং পানবা পাউচে শোয়দনা পুথোক্লরকখিগনি। পাউচেশিংদা ইনবা, মীয়ামদা তম্নবা পাউ লৈরোই হায়না নুংশা থিনিংঙাই কৈমতা লৈরোই। পাউগী চেনানা ৱাৎকদবতনি। ওম্ভোক্লা মরাং কায়খ্রবা লমনি পাউগী মতাংদদি। মণিপুরগী লৈমায়দা অমদি মীরক্তা থোকপা পাউনা শাথিরবসু, অকি তুজুং লোইনরবসু মণিপুরগী অতিয়াদদি সিনসু-সিনশঙদগী কারকপা মৈখু অমত্তা খুদে, তরু তরুই, মসিগীদমক্তি য়াম চাওথোকচনীংঙাই ওই।

তরামাথোইশুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলী মমাঙদগী হৌনা ওম্ভোক্লা চরাংনবা ফীভম অমা লাকখি। চীংগী কাঙলুপ খরনা নেসনল হায়ৱেশিংদা চত্থরকপা ইকনমিক ব্লোকেদ, মালেমগী রেকোর্দ থুগাইখ্রে। চহী অমগী মনুংদা থা ১২ লৈবদা থা মরি মঙা শুংলেপ লেপ্তুনা ইকনমিক ব্লোকেদ চত্থরকপা নেসনল হায়ৱেদা লম্বী থৎপা হায়বসি মণিপুরনা রেকোর্দ থমখ্রে। মালেমগী মীপূম খুদিংনা ওম্ভোক্লা অকিবা অমগা লোয়ননা য়েংলক্লি। মফম খুদিংদা মণিপুরগী ৱারীতনা চাকঙাই ৱারী ওইনরি। কয়াদা ঙকখ্রবা লমদম অমনো। মদুগী মখা তারকপদা তম্পাক্তা অমুক কাউন্টর ইকনমিক ব্লোকেদ চত্থরক্তুনা কার্ফিয়ু ফাওবা থমদুনা ফীভম অমা কাইরুরে। মীখল নকশিল্লকপগা লোয়ননা ইকনমিক ব্লোকেদ মৱা লৌদে হায়না থোইদোক্লা নাচুংলক্ত্রে। হৌজিকসু ব্লোকেদ হন্দোক্লসু হন্দোক্ত্রসু থোইদোক্লা খন্নদ্রে। মসিবু য়াম ফবা লম অমনি হায়না চাউথোকপসু ফাওই। সিবু অতোপ্পা ষ্টেট অমদগা ওইরম্মো মৈ চাক্লোইদ্রো। কুম্মে তারোইদ্রো। ইন্দিয়া কাইরোইদ্রো। লোক সভা নিক্লোইদ্রো? মণিপুর ওইবগী পুকচেল ফজবগী কৈসু অদুক চাউবা ৱাথোক্তি অমত্তা থোক্তেদনা। ব্লোকেদ অদুগী মরুমদা লৈরিবা ৱাফমসিমদি তরাইবা নত্তে। শাথিবা তুংলমচৎ অমগী অকায়-অতোয় থোকপা ৱাখলগী মঙলান কয়া উবা ফংলিবনি। হৌজিক্তি মদুগী ৱা পুমকাউ কাউদুনা ইলেক্সন্দা মাই ওনশিন্দুনা মীপূম খুদিং মীখলগী থৌ কন্না চিনখৎনরকখি। মদুসু হৌজিক্তি লোইখ্রে। পাঙথোকখিবা মীখলদুসু অকিবগী মশকনি। ৱাথোক লাম্থোক মফম খরদা থোক্লবসু য়াম্না পাক শন্না ঈ-নাই তানবমক্তি ওইখিদে। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কনামতা তানরমদনা, মাগী কেবিনেট ফাওবা খঙহন্দনা (অখঙবা খরবুদি য়াওরমগনি হায়নৈ) খঙহৌদনা দিমোনেটাইজেসনগী ৱাফম অমা খংলাউ লাউথোরকপদা ইন্দিয়া পূম্বা ঙকখিবনি। লুপা ৫০০ চৎপী, লিশীং চৎপী পুমথিং থিংখিবদগী মীপূম খুদিং খম থেংনা অৱাবা থেংনখি। মরী লৈনবা কনামত্তা তানরমদনা মানা নীংবদু হেক্তা পাঙথোকপনি। মদুগী মরুওইবা মরমদি, টেরোরিজম অমদি করপসন থেংননবা অমদি ব্লেক মনি থিংনবনি হায়না হায়খি। ৱাখল্লোনদুদি ফজবনিনা মীয়াম ৱারবসু ৱানা থোইদোক্লা ঈহৌ অমতদি হৌখিদে। খাঙবা য়াবা খাঙনখি। অদুবু মণিপুরগী মীখলদদি ব্লেক মনি হায়গেরা করপসন থিংবা হায়গেরা মদুগী মমি অমা ফাওবা তাখিদে। হন্দক মীখল থেংনখিবশিংগী মনুংদা খরা চাউবা পোলিটিকেল পার্টি অনী অমদি মতুং ইন্নবা খরনি। শেলগা অমত্তা য়েনদৌ মাল্লমদে। ইমাইপেম্মা তাবদা কিবা শেলবুম-শেলবুম য়েম্থোরকই। পংপোদা পোকখায়রকই। মোদিজিগী পার্টিদুমক্তি অদুগুম্বা তৌরকতৌ মাল্লমদে। লোইরে মখোয় পার্টিনা পোকখায়খিবসিদি কিবগী ৱানি । কোংগ্রেসকী মতুং ইন্নবনি হায়, বি জে পগী মতুং ইন্নবনি হায়। য়েন্দেগাইদি হায়বা য়ারোই। মসি য়েন্দেদি হায়গনি অদুবু মীপুম খুদিংনদি খঙবা ৱানি। মসিগী ৱা হায়নবদা কঙয়েৎকী টাইপতা খুদম চাংদম পুথোকপা ঙমগদরা হায়না হায়নবা য়াওই। শক মাই য়েংদুনা হায়নবা ঙমদ্রবসু, য়েনদি য়েল্লে। ঐঙোন্দা নৎত্রগা মঙোন্দা ভোট থাদবিয়ু হায়না লিশীং ৫ দগী ৭ ফাওবা য়েনবা কনষ্টিট্যুএন্সি য়াওই। অফংবা য়াম লৈ। য়ামদ্রবদা লিশংদগীদি তাদ্রে। কনষ্টিট্যুএন্সি অমখক্তি লুপা চহুম চহুম পোকখাইরে হায়নৈ। করপসন থিংগনি চোঙথোরকপশিংসু অদুমঙাই ভোট কানবা হোৎনবদা করপসন থিংবগী ৱা হায়খিবা লোইনা কাউনদুনা ভোটরদা ৱাচৎ ৱানোমদুনা পোকখায়নরকপনি। মদু কাইদগী শেলনো? ব্লেক মনি হায়দু করিনো গাইদু ঐখোয় শ্বাইদা ৱা ওইনদি তারসু মশক্তি অমত্তা উবা ফংনরমদবনি। অদুবু হন্দক্কী মীখলদুদা থোরকখিবা শেলশিংদু ব্লেক মনিনি গাইনা হায়নৈ। মীপুম খুদিংনা ব্লেক মনি মশক তাকপীরম্বগীদমক্তদি ভোট লেপ্পীরিবা ওজা পূম্নমকশিংবু থাগৎফম থোকই। মসি মমাঙদা অমুক্তা থোক্ত্রিবা খুয়েন চায়েন অমনি রেকোর্দনি। তশেংবগীদি তৌরক্কদবা থবক্লা অমনি, মদুনা ভোট মমাঙদা থবক তৌবা য়ানবা অঙম অঙম্বা হোৎনজবনি, থোইদোক্লা ৱারৌনরুবা য়াদে খল্লি। মদুদা কনামতা খোইখা লিনখা থানবীগনু। ঐখোয়না ঙাইগদবদি লাক্কদবা অফবা থবকশিংগী মহৈ অদুনি। তৌবতবু মতাংসিদা থমজনীংবদি, কতনগী টাইপতা ঐখোয় খুদিংমক হৈবোং মখোঙদা লোংনা হিপ্লগা হৈবোং অমুনবা তারকপা ঙাইরগা চাই হায়বদুমদি তৌবিদবা ফৈ। ঐখোয় খুদিংগী রেসপোন্সিবিলিটি খঙনা ইথৌ পাঙথোকপা অমদি চঙই। হৈবোং মুল্লক্ত্রুদি কেল্লকওই। চাগে হায়না কাথোক্লুবা চিন ৱারগা তোক্কনি।

মসিগী মথংদা শাথিবা রেকোর্দ অমসু গভর্ণমেন্ট শেম্বদা লৈখ্রে হায়নৈ। শুংথা থাজদবা এম এল এ খরা য়াওরকপদা মীপুম খুদিংনা অঙকপা অমা ওইনা লৌনখি। তরাশুবা সেদ্যুলগী থাঙশাং করিমতা কায়দনা ইপা ইপুগী থৌনা নীংশিংদুনা মথৌনা লৈনা নৌনা এম এল এ কাবগী ৱাশকফাওবা শক্তিঙৈদা পার্টি অমদগী অমদা নংহৌররোই মতাগুম থোরক্কদবা পূম্নমক থেংনরনি হায়না মথৌনা উৎখিবদুমদি তশেংনা থাগৎলি। মাগী হান্নগী পার্টিদুনা ৱারৌরম্বা য়াই। অদুবু মাগী মথৌনাদুদি অঙকপা নত্তে হায়বা য়ারোই। শা লান থেংনরদি ঐখোয়গী ইপা ইপুদি চোঙশিন চোঙশিন্দুনা য়ান্নখি, শিবা নাবা কিখিদে হায়দু মতমসিগী মীরোলদা নীংশিংহনবগুম্বনি গাইনা মীপুম অয়াম্বনা হায়নবা তাই। নুঙাই, তুংদা লাক্কদবশিংদুদি য়েংবা তারি। অমনা শুংচৎ চৎমিন্নরোই হায়রম্বা পার্টি অমগী এম এল এ অমা কেবিনেট ওইনা ৱাশক লৌনবগী কৌখৎলকপদা লাইভ টেলিকাষ্ট নেটতা য়েংনরিবা মীপুম খুদিংনা ফুক-ফুক হৌগৎনদুনা পূমঙক ঙকখিবনি। মসি রেকোর্দনি। শাথিনা নুংঙাইবা অমনি। অওনবনি হায়দবা য়ারোই। মমাঙদা তৌরমদবা চৎনরমদবা ময়াম অমা হৌজিক গভর্ণমেন্ট অসিনা শোয়দনা তৌরক্কনি। মীপুম খুদিংদা অঙকপা অমগা লোয়ননা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিগী তৌথোরকপা থবকশিং মীৎ লাউথোক্তুনা য়েংবা তারি। ইস ইস হায়না ইঙক-ঙক্লা অফবা ঙাক্তা, ওইথোক্লোইদবা ঙাক্তা ওইথোকহল্লক্কনি থাজৈ। মদু কৌগদৌরিবনি অওনবা। অফবা অওনবা অদুদা ঐখোয় মীয়াম্না য়াওমিন্নদুনা নুংঙাইবা পুন্সি অমদি অনৌবা ৱাখল্লোন অমা শাগৎমিন্নরসি।

শাথিনা নুংঙাইরিবদি - গভর্ণমেন্ট অসিবু লুচিংলিবা পার্টি অসিনা মীখল মমাঙদা মীয়ামদা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা-ফ্রী করপসন ওইহনগনি, য়ূমথোং খুদিং থবক পীগনি। শেল অমত্তা লৌদনা থবক হাপকনি, লাইরিক হৈরবা নহারোলশিং খুদিং থবক পীগনি, দিভলপমেন্টতা মায় ওনশিনগনিগা হায়বসিমদি, সিদগী হেন্না নুংঙাইবা অমা অমুক লৈত্রে। হৌজিক্তি পূম্নমকশিং অদুগী থবক খুদিং মখোয়গী খুবাম নুংদা লোইনা লৈরে। অমগী মথংদা অমা মথং মথং শোয়দনা পাঙথোরকপা ওইসনু। মদুনি মীয়াম্না ঙাইরিবা অওনবা। পূম্নমকশিং অদু ওইথোকহন্নবা হোৎনজরকপদা তাইবঙ মপুনসু মখোয়গী ৱাখল হন্থহন্দবা, থৌনা পীবীবা, থৌজাল কুবিবা ওইরসনু। অনৌবা লৈঙাক অসিনা অনৌবা মণিপুর অমা পুরক্তুনা অনৌবা স্বিটজরলেন্দ অমা ওইহল্লসনু। চেদা চিন্দা স্বিটজরলেন্দনি থাগৎতুনা হায়নরম্বদু থবক ওইনা উৎলসনু।

# মালেমগী সাইন্সকী লমজেলদা মাঙজিল থাখিবা ইন্দিয়া মচাশিং#৫

## (অঙ্কদা মার্ক ১০০ গী মনুংদা ১১০ ফংখিবা সতেন্দ্রনাথ বোস)

### সাইন্সকী খোঙচৎ


**কুঞ্জো নাওরেম**



অলবর্ট আইনষ্টাইন অমসুং সতেন্দ্রনাথ বোস



বোসনা লুহোংফম অমদা ইসরাজ খোংবা



(ওয়) ফেজ হোংলকপগা লৈরিবা থর্মেল ক্লাউদ, (মেয়াই) কন্দেন্সেত তৌবা হৌরক্লবা ক্লাউদ, (য়েৎ) অশেংবা বোস - আইনষ্টাইন কন্দেনসেত

*মালেমগী* লৈমাইথক্তা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা অকোয়বগী ফীভমশিং, খুদম ওইনা য়াম্না ঈংবা, য়াম্না শাবা অমসুং ময়ায় ওইরপ শাবনচিংবা মফমশিংদা ফংলিবা পোৎকী (মেট্টর) মওং (ষ্টেপ) অহুমখক লৈ - মপং, মহী অমসুং গ্যাস। অদুবু অখন্নবা ফীভমশিংদা অতোপ্পা মওং অনী অমগসু লৈ হায়না হৌজিক য়ানরে। মখোয় অনীদুদি *প্লাজমা* অমসুং *বোস-আইনষ্টাইন কন্দেনসেট* হায়বসিনি। প্লাজমা হায়বসি মালেমগী লৈমাইদা ফংবা মরুওইবা মওং নৎত্রগসু, য়ুনিভর্সতদি খ্বাইদগী মরাং কায়না ফংই হায়বা য়াই। মরমদি থৱান্নীচাকশিংসি মরুওইনা প্লাজমানা শেম্মী। প্লাজমা হায়বসি কাইনেটিক এনর্জি য়াম্না য়াওবা চার্জ পুরবা পোৎকুপশিংনা (পার্টিকল) শেম্বনি।

পোৎ অমগী মঙাশুবা মওংনি হায়রিবা বোস-আইনষ্টাইন কন্দেনসেটসি (বি ঈ সী) অখন্নবা ফীভম খরদা থেংনবনি। মসি অহানবদদি থিওরি ওইনা লৈরম্বদগী কুমজা ১৯৯৫ গী জুন ৫ দা য়ুনিভর্সিটি ওফ কোলোরাদোদা ইরিক কোর্নেল অমসুং কার্ল ৱিমাননা পাঙথোকখিবা চাংয়েংদা বি ঈ সী হায়রিবসি লৈ হায়না উৎপা ঙমখি। মখোয়না লেজর অমদি য়োৎচাবিশিং শীজিন্নদুনা রুবিদিয়মবু নানোকেলভিন ১৭০ দা (চাওরাক্লা এবসোলুট জিরোঃ মাইনস ২৭৩.১৫°সী) ঈংহনখি। মতমসিদা রুবিদিয়মদা য়াওরিবা এটমশিংদু লেং-ওৎপা তৌদ্রে হায়বা য়ারে হায়বদি এটমশিংদুদা কাইনেটিক এনর্জি য়াওদ্রে হায়বা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। অদুনা এটম অমগা অতোপ্পা এটম অমগগী মরক্তা এনর্জি পীথোক-পীশিন তৌনদ্রবনিনা তোঙান-তোঙান্না লৈনরম্বা এটমশিংদু অমত্তা ওইনা পুল্লপ পুনশিন্দুনা লৈরে। অসিগুম্বা এটমশিংগী মপৈসিবু ‘সুপর এটম’ হায়না খঙনৈ। অসিগুম্বা পোৎ অমগী মওংসিবু বোস-আইনষ্টাইন কন্দেনসেট কৌই। কোর্নেল অমসুং ৱিমানগী মতুংদা মসাচুসেটস ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এম আই টি) গী ৱোলফগাং কেট্টরলিনা বি ঈ সীগী মরুওইবা মগুণশিং পুথোকপা ঙমখি। মখোয়না তৌখিবা থবকশিংসিগীদমক কুমজা ২০০১ দা মখোয় অহুমবু ফিজিক্সকী নোবেল প্রাইজ পীদুনা ঈকায় খুম্নখি।

ঙসিদি মরুওইবা পোৎকী মওং ওইরবা বি ঈ সী সী শোয়দনা লৈগনি হায়না লাইফাও পীবদা লমজিংখিবা নুপাদু অতৈ কনাসু নত্তে, অঙ্কগী চাংয়েং অমদা মার্ক ১০০ গী মনুংদা ১১০ ফংখিবা সতেন্দ্রনাথ বোসনি। অঙ্ক হায়বসি ফিজিক্সকী লোন্নি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা মত পীনৈ। ঐখোয়না পূক্লিংগী ৱাফম অমা ফোঙদোকপদা লোন শীজিন্নবগুম, ফিজিক্সকী লো অমসুং থিওরিশিং ফোঙদোকপদা অঙ্ক হায়রিবা লোনসি (ইক্বেসনশিং) শীজিন্নৈ। অদুবু অঙ্ক হায়বসিমক্তি ফিজিক্স নত্তে হায়না ইন্দিজয়াগী মমিং লৈরবা প্রোফেসর ঐচ সী ভরমানা ‘কন্সেপ্টস ওফ ফিজিক্স’ তা ফোঙদোক্লি। অসুম্না অঙ্কগী লোন শীজিন্নরগা সতেন্দ্রনাথ বোস অমসুং অলবর্ট আইনষ্টাইননা শাগৎখিবা ‘বোস-আইনষ্টাইন ষ্টেটিষ্টিক্স’ কী মতেংনা পুথোকখিবনি বোস-আইনষ্টাইন কন্দেনসেট, কুমজা ১৯২৪-২৫ গী মতমদা। মসিগী মতুং চহী তরা-কুম্নগী মনুংদা বি ঈ সী হায়রিবা পোৎকী মওংসি লৈ হায়না চাংয়েংনা উৎপা ঙম্লম্লবদি বোসসু নোবেল প্রাইজ ফংবশিংগী মরক্তা শোয়দনা য়াওরমগদবনি। অদুবু কুমজা ১৯৯৫ খক্তদা চাংয়েংনা উৎলকখিবা অমসুং শিখ্রবা মীদা মনাসি পীবগী চৎনবী লৈতবনা ইন্দিজয়াগী নোবেল মনা অমা মাঙজখি।

সতেন্দ্রনাথ বোস কুমজা ১৮৯৪ গী জান্যুৱারী ১ দা কোলকটাদা পোকখি। মচান্নুপী তরুক্কী তোমথিন ওইবা মবুং ওইনা পোকখিবা বোস মশাগী চহী মঙা শুরকপদগী মহৈ মশীল তম্বা হৌরকখি। মহাক্লা অঙাং ওইরিঙৈদগী পামজরকপসি লৈমাইদা অঙ্ক হোৎতুনা মতম লেনবসিনি। কুমজা ১৯০৯ গী মেট্রিকুলেসন্দা মঙাশুবা পোজিসন্দা পাস তৌরকখি। মসিগী মতুংদা কোলকটাগী প্রসিদেন্সি কোলেজদা ইন্টরমেদিএট সাইন্স কোর্স লোইশিল্লগা বেচলর ওফ সাইন্সতা এপ্লাইদ মেথমেটিক্স লৌরগা তমখি। কুমজা ১৯১৩ গী চাংয়েংদা মহাক অহানবা পোজিসন লৌরবা তুংদা অমুক কুমজা ১৯১৫ গী মাষ্টর্স ওফ সাইন্সকী চাংয়েংদসু খ্বাইদগী ফবা মহৈরোয় ওইনা পাস তৌখি। অহানবা মকোক ওইবতা নত্তনা ৯২% চত্তুনা কোলকটা য়ুনিভর্সিটিগী পুৱারীদা অনৌবা রেকোর্দসু থমখি। কুমজা ১৯১৬ তা মহাক্লা য়ুনিভর্সিটি ওফ কোলকটাদা রিছার্স স্কোলর ওইনা চঙদুনা থিওরি ওফ রিলেটিভিটিগী মরমদা থিজিনবা হৌরকখি।

কুমজা ১৯২১ দা বোস ধকা য়ুনিভর্সিটিদা রিদর ওইনা চঙলকখি। মহাক্লা হেক চঙবগা সাইন্সকী তোঙানবা লাইব্রেরি অমা হাংদোক্তুনা মালেমগী মরুওইবা সাইন্সকী মেগাজিন কয়া ফংহনখি। মতমদুদা মহাক্লা মোর্দন ফিজিক্সকী লময়ানবা মেক্স প্লাঙ্কগী লাইরিক অমা দি এম বোসতগী খুদোল ওইনা ফংখি। মেক্স প্লাঙ্কগী ক্বান্টম থিওরিগী মতুংইন্না এনর্জি হায়বসি ক্বান্টা (হৌজিক্লা ফোটোন হায়না খঙনরবা) ওইনা লৈ হায়রম্মী। অদুবু ব্লেক বোদি অমদগী এনর্জি পীথোরকপগী মতাংদদি প্লাঙ্কগী ৱাখল্লোন্দু বোসনা য়ানিংলমদে। অদুনা মহাক্লা অনৌবা ৱাখল্লোন অমা পুথোক্লবা হোৎনবদগী মায় পাকখি। মহাক্লা পুথোক্লিবসি অনৌবা অঙ্কগী ইক্বেসনখক্তা নত্তনা অনৌবা ৱাখল্লোন অমসু ওইরম্মী।

মহাক্কী থিজিনবগী ৱারোল ইবা চেদুগী কোপি অমনা ‘ফিলোসোফিকেল মেগাজিন’ দা অদুগা অতোপ্পা অমনা অলবর্ট আইনষ্টাইন্দা মত পীবিরক্লবা অমসুং য়ারগদি ফোঙদোকপীরক্লবগীদমক থারম্মী। ফিলোসোফিকেল মেগাজিন্দা ‘প্লাঙ্ক’স লো এন্দ লাইট ক্বান্টম হাইপোথেসিস’ কৌবা চেরোলদু ফোঙদোকখিদে। অদুবু মসিনা আইনষ্টাইন্দা অচৌবা ঈথিল অমা পীখিবনা জর্মন লোন্দা হন্দোক্তুনা Zeitchrift fur Physik তা ফোঙদোরকখি। হায়রিবা অর্টিকলদুদা বোসপু থাগৎতুনা আইনষ্টাইননা অসুম্না ইরকখি ঃ ‘ঐগী মতম ওইনা প্লাঙ্ক ফোর্মুলাবু বোসনা মখা তানা শাথরকপসিনা লমসিদা হেন্না চাওখৎপা পুরক্কনি হায়বসি তাকই। মহাক্লা শীজিন্নরিবা মেথদসিনা আইদিএল গ্যাসকী ক্বান্টম থিওরিবুসু ফংহনবা ঙল্লে।

মহাক্কী থিজিনবগী থবক্তুবু য়ারে হায়না আইনষ্টাইন্না থাগৎলকপসিনা মরম ওইরগা ধকা য়ুনিভর্সিটিনা মহাকপু চহী অনী য়ুরোপ্তা থিজিনবগী খোঙচৎ চৎননবগী অয়াবা কুমজা ১৯২৪ দা পীরকখি। মহাক্লা ফ্রান্সতা লৈরিঙৈদা, পোল লাঙ্গেভিননা মহাক্কী থিজিনবদা য়াম্না মতেং পাঙখি। মহাক্লা মেদাম ক্যুরি অমদি লুই দি ব্রোগলিগী লেবশিংদসু থিজিনবগী থবক তৌখি। মরকসিদা মহাক্লা আইনষ্টাইন্দা ‘থর্মেল ইকুইলিব্রিয়ম ইন রেদিএসন ফিল্ড ইন প্রিজেন্স ওফ মেট্টর’ কৌবা থিজিনবগী চে অমসু থারম্মী। মদু য়াম্না নীংথিজনা হন্দোক্তুনা Zeitchrift fur Physik তা ফোঙলকখি অদুবু হন্দক্তি আইনষ্টাইন্না মহাক্কী ওবজার্বেসন খরদা য়ানিংদবগী মত পীরকখি। কুমজা ১৯২৫ গী লোইরমদাইদা বোসনা আইনষ্টাইনগা য়াম্না তেন্না অদুবু য়াম্না পুকচেল তিন্ননা বর্লিন্দা উনখি। কুমজা ১৯২৬ কী কালেন্থা হৌগৎলকপদা ৱর্নর হৈসেনবর্গকী মেট্রিক্স মেকানিক্সকী মরমদা মেক্স বোর্ননা ঙাঙবা মহাক্লা গোতিঞ্জেলদা তারম্মী। কালেন্থাদু লোইশিল্লকপদা বোসনা অমুক ধকাদা প্রোফেসর অমসুং ফিজিক্স দিপার্টমেন্টকী মকোক ওইনা হল্লক্তুনা কুমজা ১৯৪৫ ফাওবা লৈরম্মী। মসিগী মতুংদা কোলকটা য়ুনিভর্সিটিদা ফিজিক্সকী খাইরা প্রোফেসর ওইনা লাকখি। অদুগা কুমজা ১৯৫২ দগীনা ১৯৫৬ ফাওবনা ফেকলটি ওফ সাইন্সেসকী দিন ওইনা লৈখি। কোলকটাদগী হল্লক্লগা ভিশ্ব-ভারতি য়ুনিভর্সিটিদা ভাইস-চান্সেলর ওইনা চহী অহুম পুরম্লগা নেসনল প্রোফেসরগী ফম পায়দুনা লৈখি। কুমজা ১৯৪৯-১৯৫০ ফাওবা নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্সেস (ইন্দিয়া) গী প্রসিদেন্ট অদুগা ১৯৫২-১৯৫৮ ফাওবনা রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইখি।

সতেন্দ্রনাথ বোসকী কুমজা ১৯১৮ অমসুং ১৯৫৬ কী মরক্তা ফোঙখিবা মশাগী ওইবা থিজিনবগী চে কুন্তরুক্কী মনুংদা য়াম্না মরুওইবা খরদি ষ্টেটিষ্টিকেল মেকানিক্স, আইওনোস্ফিয়রগী ইলেক্ট্রোমেগ্নেটিক ওইবা মগুণশিং, এক্স-রে ক্রাইষ্টেলোগ্রাফি অমসুং থর্মোলুমিনিসেন্সকা মরী লৈনৈ। ইন্দিয়াগী ৱাংমদা বোসপু খ্বাইদগী হেন্না শিংথানরিবদি Zeitchrift fur Physik তা অহানবা ফোঙখিবা ক্লাসিকেল ইলেক্ট্রোদাইনামিক্স য়াওহন্দনা প্লাঙ্কগী ব্লেক বোদি রেদিএসন লোবু ফংহনবা ঙমখিবা অদুগীদমকনি। বোসকী মেথদসিবু আইনষ্টাইন্না জেনেরেলাইজ তৌহন্দুনা ক্বান্টম ষ্টেটিষ্টিকেল মেকানিক্সকী সিষ্টেম অনীগী মনুংদা অহানবা ওইরিবা ‘বোস-আইনষ্টাইন ষ্টেটিষ্টিক্স’ হায়বসি পোকহল্লকখি। ষ্টেটিষ্টিক্সসিগী চৎন-কাঙলোন ইন্দুনা চৎপা পোৎকুপশিংবু বোসতা ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা ‘বোসোন’ হায়না পোল দিরাকনা মমিং থোনখি। ফোটোন গ্লুওনগুম্বা বোসোনশিংবু এবসোলুট জিরোগী চাংদা ইংহল্লকপা মতমদা বোসোনশিংনা খ্বাইদগী হন্থবা ক্বান্টম ষ্টেটতা লৈরকই লোয়ননা বোসোনশিংগী চপ মান্নবা এনর্জি ফংলকই। মতমসিদা বোসোনশিংনা নাইতোম লৈনবগী মহুত্তা পুল্লপ পুনশিন্দুনা সুপর এটম অমগুম্না লৈরকই। মসিবুনি বোস-আইনষ্টাইন কন্দেসেট হায়রিবসি।

মালেমগী সাইন্টিষ্টশিংনা ইকায়খুম্নরবা সতেন্দ্রনাথ বোসকী অঙকপা হৈনবী খরা লৈ। মহাকসি চৎনবী ফিজোল শেৎ-চাবা চাদবদা থোইদোক্লা পূক্লিং চঙদে। মালেম থাক্কী কনফরেন্সশিংদা লুঙ্গি অমা শেৎলগা চীংনবা লৈতনা অদুম ৱা ঙাঙই। মহাক্কী কাদা কনাগুম্বা অমা হেক্তা থোঙ হাংদোক্তুনা চঙলকপদা অথিংবা থমদে। বোসনা মহাক্কী মমিংবু মীয়াম মাঙদা খঙহন্নবা হোৎনখিদে অদুগা দোক্তরেট দিগ্রি ফংনীংবগী অপাম্বসু লৈখিদে। অতোপ্পা শিংথানিঙাই ওইবা অমনা মহাক ‘ইসরাজ’ হায়রিবা ঈশৈগী জন্ত্রসি খোংবদা এক্সপার্ট অমনি। মরক মরক্তা মহাক্কী য়ূমগী কাচিন অমদা ফম্লদুনা, মমিত্তগী ইরা চেন্থদুনা ইসরাজ খোঙই। মহাক্লা পামজখিবা অতোপ্পা অমনা রবিন্দ্রনাথ টেগোর, লোর্দ টেনিসন অমসুং কালিদাসকী শৈরেংশিংনি।